### পুপু কপ অন্দর-১৭ নাইন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# এম পি এস এনা ৱাই এস এম সী মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ১৭ :

পুপু পুংদোংবম্না শিন্দুনা পুংদোংবমদা লৈবা লমলাই হায়স্কুল গ্রাউন্দদা চথরিবা অহানবা পেরদাইস য়ুনিয়ন পুংদোংবম (পুপু কপ) অন্দর-১৭ নাইন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দগী মেচতা এম পি এস এ টিম বি পুংদোংবম্না ৱাই এস এম সী তাঙ্খমবু ৯-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। অতোপ্পা অনীশুবা মেচতা এম এফ সী মোইরাং কম্পু অমসুং ৱাই এম সী হরাওরৌ গোল ১-১ দা দ্রো ওইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা গ্রাউন্দগী মেচতা এম পি এস সী টিম বি পুংদোংবম অমসুং ৱাই এস এম সী তাঙ্খম অনীনা শান্নরকখি।

মেচকী অয়াম্বা মতমদা এম পি এস এ টিম বি পুংদোংবম্না দোমিনেট তৌনা চৎখি। মখোয়না তৌখিবা অকনবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৬ চৎপা মতমদা কে ঐচ তোনদোনবনা গোল অমা চনশিন্দুনা য়াম্না ঙন্না ১-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি।

এম পি এস এনা হনবা লৈতনা মায়োক্নখিবা ৱাই এস এম সীগী মায়কৈদা তৌখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ২৫ চৎপা মতমদা জিতেশ্বরনা গোল অমা চনশিনখি।

গোল চনখিবা মিনিট অহুম লৈরগা মেচকী মিনিট ২৫ চৎপা মতমদা নাওচানা গোল অমগা অমুক চনশিন্দুনা ৩-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি।

এম পি এস এ টিম বিনা হনবা লৈতনা তৌখিবা এটেক্তা মেচকী মিনিট ২৯ চৎপা মতমদা বুংঙোনা গোল অমা চনখি। মদুগী মতুং মেচকী মিনিট ৩৩ চৎপা মতমদা কে ঐচ তোনদোনবনা গোল অমগা চনশিন্দুনা ৫-০ দা অমুকসু হন্না মাঙজিল থানা চৎখি।

মেচ অদুদা য়াম্না অন্দর্ষ্টেন্দিং লৈনা শান্নরকখিবা এম পি এপ এ টিম বিনা মখোয়গী মায়োক্নখিবা সাইদতা তৌখিবা মখা তাবা এটেকশিংদা বুঙোনা মেচকী মিনিট ৩৮, ৪৪, ৪৫ অমদি ৫৩ চৎপা মতমদা গোল ৪ অমগা চনশিন্দুনা ৯-০ দা মাঙজিল থাখি।

ৱাই এস এম সীসু গোল ইক্বেলাইজ তৌনবগীদমক হোৎনরকখ্রবসু এম পি এস এ টিম বিগী দিফেন্স নমখায়রগা চঙবা ঙমখিদবনা গোল চন্নবগী আশা মাঙখি। এম পি এস এ টিম বিসু মখা তানা গোল চন্নবা হোৎনরকখ্রবসু কান্নবা ফংদনা লৈখিবনা ৱাই এস এম সী তাঙ্খমবু গোল মার্জিন ৱাংনা মায়থীবা পীখি।

ৱাই এস এম সীগী অপ্রিটপু মেচকী মিনিট ২৩ চৎপা মতমদা রেফ্রিনা অনস্পোর্টিং বিহেবিয়রগীদমক কোসন পীখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দগী মেচতা এম এফ সী মোইরাংকম্পু অমদি ৱাই এম সী হরাওরৌ অনীনা শান্নরকখি। টিম অনীনা অমনা অমবু লাকশিন্নবা ঙম্নদনা মখোয় মখোয়গী মায়োক্নবা সাইদতা তকখৎনরকখি।

ৱাই এম সীনা মায়োক্নখিবা এম এফ সীগী মায়কৈদা চঙশিনখিবা শাফু কল্লবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ২২ চৎপা মতমদা এন নরেসনা গোল অমা চনশিনখিদুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি।

ফার্ষ্ট হাফ ফাওবদা এম এফ সীনা গোল শোৎখনা লৈখি। অনীশুবা হাফতা এম এফ সীনা হেন্না টেম্পো লৈনা শান্নরকখি। অনীশুবা হাফ হৌখিবা ইকুই কুইদনা এম এফ সীনা তৌখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৪৮ চৎপা মতমদা কে ঐচ বিরজিৎনা গোল অমা চনখিদুনা ইক্বেলাইজ তৌখি।

মেচকী অপীবা মতম ফাওবদা টিম অনীমক্না অহেনবা গোলশিং চনবা ঙম্ন দবদগী গোল ১-১ চন্নদুনা দ্রো চৎখি।

ৱাই এম সীগী জেমসনবু রেফ্রিনা মেচকী মিনিট ৫৯ চৎপা মতমদা কোসন পীখি।

# মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্টতা ৱাই দল্লিয়ু সীনা নপসাবু রন ৮ দা মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ১৭ :

মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএশন্না শিন্দুনা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট গ্রাউন্দদা চথরিবা ১৪ শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৬-১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবালনা নপসা খা ইম্ফালবু রন ৮ দা মায়থীবা পীখ্রে।

টোস ঙমখিবা ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবালনা অহানবা বেট্টিং খনখি। মখোয়গী বেট্টিংদা অপীবা ওভর ২৯.২ দা ৱিকেট ১০ তুরগা অপূনবা রন ১০৬ লৌরগা নপসা খা ইম্ফালগীদমক টার্গেট রন ১০৭ পীরমখি।

মদুগী পাউখুমদা নপসা খা ইম্ফালনা ওভর ২৪.৫ দা ৱিকেট পুন্নমক আউট ওইরগা রন ৯৮ খক্তমক লৌবা ঙমদুনা ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবালনা নপসা খা ইম্ফালবু রন ৮ দা মায়থীবা পীখি।

মেচকী অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা ৱাই দল্লিয়ু সীগী সসিনা বোল ৪১ দা রন ৩৯, গোজেন্দ্রোনা বোল ২০ দা রন ১৪, দিজেন্নর বোল ১৪ দা রন ৮, প্রেমচান্দনা বোল ১৫ দা রন ৮ লৌদুনা ওভর ২৯.২ দা ৱিকেট তরামক তুদুনা টার্গেট রন ১০৬ থন্বা ঙমখি।

লোয়ননা মেচ অসিদা ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবালগী বোলর কুমারজিৎনা ওভর ২.৫ দা রন ১২ পীরগা ৱিকেট অহুম, সমানন্দনা ওভর ৬ দা রন ১৮ পীরগা ৱিকেট অনী, রোজেসনা ওভর ৫ দা রন ১৭ পীরগা ৱিকেট অমা লৌখি।

মেচ অসিগী অনীশুবা ইন্নিংসতা নপসা খা ইম্ফালগী সোমোরেন্দ্রোনা বোল ১৬ তা রন ১৫, ব্রোজেন্না বোল ২৫ দা রন ১৪, কেসোরজিৎনা বোল ১৯ দা রন ১৩, সুরজিৎনা বোল ১১ দা রন ৯ লৌখি।

ইন্নিংস অসিগী নপসা খা ইম্ফালগী বোলর সুরজিৎনা ওভর ৬ তা রন ২৯ পীরগা ৱিকেট অহুম, বোগেন্না ওভর ৬ তা রন ১৪ পীরগা ৱিকেট অনী, হিমন্না ওভর ৪.২ দা রন ৮ পীরগা ৱিকেট অনী, গৌতম্না ওভর ৪ দা রন ১৫ পীবগা লোয়ননা ৱিকেট অমা লৌখি।

মেচ অসি নপসা খা ইম্ফালনা অপীবা ওভর ৩০ গী মনুংদা টার্গেট রন ১০৭ লৌবা ঙমদবদগী রন ৮ দা ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবালনা মায় পাকখি।

মেচ অসিদা ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবালগী কুমারজিৎনা ওভর ২.৫ দা রন ১২ লৌবগা লোয়ননা ৱিকেট অহুম লৌদুনা মেন ওফ দ মেচ তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চত্থরকপা ওইনা হয়েং মোদেল ক্লব টিম বি চীংঙামখা অমসুং ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবাল অনীনা শান্নরগনি।

পনবা য়াই, টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নরদা রোল্লিং ট্রোফি অমদি লুপা লিশীং ১৫ গী কেশ এৱার্দ পীগনি। মসি লিলোং হাওরৈবি কোলেজদা এসোসিএট প্রোফেসর ওইরিবা ঈ ভোরোট সিংহনা মহাক্কী লৈখিদ্রবা অপোকপী কৈন্যাহনবী দেবীগী মীংদা কৎপনি।

ঈ ভোরোট হৌজিক মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএশনগী লাইফ মেম্বর ওইরি। রন্নর্স-অপ তাবা টিমদা রোল্লিং ট্রোফিগা লোয়ননা লুপা লিশীং ১০ গী কেশ প্রাইজ পীগনি। প্রাইজ অসিনা সেন্ত্রেল এগ্রিকলচর য়ুনিভর্সিটি (কাউ) গী এসোসিএট প্রোফেসর ডা. এ হেরোজিৎ সিংহনা মহাক্কী অপোকপা লৈখিদ্রবা এ ইবোচৌবা সিংহগী মীংদা কৎপনি। ডা. এ হেরোজিৎ সিংহ হৌজিক মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএশনগী লাইফ মেম্বর ওইরি।

টুর্নামেন্ট অসিদা মেন ওফ দ সেরিজ, মেন ওফ দ ফাইনেল মেচ, হায়র রন স্কোরর অমদি হায়েষ্ট ৱিকেট টেক্করদা ট্রোফি অমদি লুপা লিশীং ১/১ গী মনা পীগনি।

হায়রিবা মনাশিং অসি মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএশনগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরিবা এ মোহনদাস সিংহনা মহাক্কী লৈখিবা মকুবোক সাপম মনি সিংহাগী মীংদা কৎপনি।

# ইন্টরনেসনল পার্স কপ রুশ্তু চেম্পিয়নশিপ্তা ইন্দিয়ানা মেদল ৮ লৌখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ১৭ (ঐচ এন এস) :

ইরান্না য়ূম্বু ওইদুনা মসিগী সেমনান্দা এপ্রিল ১৪ দগী ১৭ ফাওবা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনল পার্স কপ রুশ্তু চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী টিমনা অপূনবা মেদল ৮ ফংখ্রে।

ইন্দিয়ন টিমনা চেম্পিয়নশিপ অদুগী তাওলু ইভেন্টতা শিলভর অমা অমদি ব্রোঞ্জ মেদল মরি পূন্না মেদল মঙা লৌবা ঙমখি অদুগা সন্দা ইভেন্টতা গোল্ড অমা, শিলভর অমা অমদি ব্রোঞ্জ অমা পূন্না মেদল অহুম লৌখি।

চেম্পিয়নশিপ অদুগী তাওলু ইভেন্টতা অঞ্জুল নান্দিওনা ক্বান্সুদা শিলভর মেদল অমা অমদি জিয়ানশুদা ব্রোঞ্জ মেদল অমা লৌখি। এল নাওখোম্বা মীতৈনা টাইজিক্বান্দা ব্রোঞ্জ মেদল অমা, টাইজিজিয়ান্দা ব্রোঞ্জ মেদল অমা লৌখি। চিরাঙ শর্ম্মানা গুনশুদা ব্রোঞ্জ মেদল অমা লৌখি।

সান্দা ইভেন্টতা সুরিয়া ভানু প্রটাপনা কেজি ৬০ গী কাঙলুপ্তা গোল্ড মেদল, রজনি দিওরিনা কেজি ৭৫ গী কাঙলুপ্তা শিলভর মেদল অমা অমসুং রাজিন্দর সিংহানা কেজি ৯০ গী কাঙলুপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল অমা লৌখি।

পনবা য়াই, চেম্পিয়নশিপ অদুদা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদগী রুশ্তু শান্নরোয় কয়ানা শরুক য়াখি।





HL-B/3779/23/32-24/4





HL-P/1010/03-6/04




HL-B/3812/16/4-15 june








Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com